# “মপাগী মচা, উগী উহৈ-!”

## - এল ইবোমচা -



কুকি-জোশিং অসি মরমচৎ ফত্তবতা নত্তনা মথোং কয়া চাদে। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লিবনি হায়দুনা মখোয়বু শৈদাংফম পীরিবা মীতৈ ফূরুপ্তা লান্দাশিল্লি। তানগে খল্লবসু ষ্টেট লৈঙাক্তা নৎত্রগা সেন্টর লৈঙাক্তা ওইনা তানগদবনি, মদুসু তৌদে। লম পীথোক-পীশিন করিমত্তা ঙল্লোইদবা মীতৈ ফূরুপ্তা লম পীনবা লান্দাশিল্লি। মসিদবু কুকিশিং অসি মথোং চায় হায়বা য়ারিব্রা? মীতৈ ফূরুপ্তি লায়রদনা ষ্টেট লৈঙাক্লসু সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন পীবা ঙল্লোই। মরমদি মণিপুর, ইন্দিয়া মনুংদা লৈবা অপীকপা ষ্টেট অমনি। অসিগুম্বা খ্বাইদগী লুরবা দিমান্দ অসিদি ইন্দিয়ান পার্লিয়ামেন্টতা তরেৎ-তরা থোক্লা মুন্না খন্নরগা মতুংদা পীবা য়াবা ওইরগনা শোয়দনা পীরক্কনি, য়ারোইদবা ওইরগনা পীরক্লোই। মদুদি নত্তদুনা মণিপুরগী পাক চাউবগী চাদা ৭৩গী লম লৌথোক্লগা মখোয়গী ওইবা কুকিলেন্দ শেমগনি হায়রিবা ৱাসিবু তাবা য়াবা ৱারা হায়বনি। মসি ফংগে হায়রবদি অরেম্বদা মীতৈদা লান্দাদুনা লৈবগী মহুত্তা সেন্টর লৈঙাক্তা লোবি তৌদুনা তক্লগদবনি। মদু তৌদনা করিগী মীতৈশিংগী য়ূম মৈ থারিবা অমসুং নোংমৈনা অশি-অনা, অশোক-অপন নংহল্লিবনো? করিগী মীতৈশিং চৎখিনবা মখোয়না মীশিং কা হেন্না লৈরিবা চুড়াচান্দপুর, মোরে অমদি কাংপোকপীদগী তাল্লিবনো? সিপরেট এদমিনষ্ট্রেশন তানবদবু মীতৈশিংগী য়ূম মৈ থাবা, খুল লৈকায়দা নোংমৈ কাপশিনবা, দুকান লুট তৌবা, নুপীশিংগী ইকায়খুম্নবদা তেমশিংনবা মসিবু হৌনব্রা? ফূরুপ ৩৪/৩৫না খুন্দামিন্নরিবা মণিপুরদা মীতৈ ফূরুপ খক্তদা অতম্বনা ওনশিল্লগা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তানবসিবু হৌনরিব্রা? করম্বা মখলগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন মতান্নো? মসিদা লাইরিক হৈরবনি, ৱাখল তারবনি, মীয়ামগী মীহুৎনি হায়না লৈরিবা কুকি এম এল এ ১০ অসিনা মদু কান্নরোই, ওইরোই, তৌরুনু হায়না খামজিনবগী মহুত্তা মখোয়সু য়াওশিন্দুনা লৈরিবা মসিমুক ঙকপা লৈতে।

মণিপুরগী কুকি পোলিটিসিয়নশিং অমদি ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং ময়াম অমনা মতেং পাংশিল্লগা নাগা-কুকি ঈরাং থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙ কুমজা ১৯৮০দা লিংখৎখিবা লালহৌলুপ কে এন এফ অসি মতম অদুদদি এন এস সী এন (আই-এম)দগী মশা কঞ্জনবা লিংখৎপনি ফোঙদোকখিবা লৈখি। মতম অদুৱাইদা এন এস সী এন (আই-এম)গী এক্টিভিটিসু অদুক্কী মতিক কনখিবনা মীতৈশিংসু মখোয়গী আর্ম ৱিং লিংখৎচবদা থোইদোক্না মিৎয়েং চঙলুদে। অদুবু মখোয়দি মতম অদুদগী হৌনা কুকিলেন্দগী মঙ মঙবা হৌখ্রবা জাৎনি। মতম কুইনা ঙাইরক্লবা তুংদা ঙসিগী চপ চাবা তাঞ্জা অসি ফংবদগী ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কে এন ও/কে এন এগী লান্মী ময়াম অমা কৌশিল্লুরগা মখোয়গা খূৎশম্নরগা মণিপুরগী চীংগী অপূনবা লমদম ফত্তুনা লৌগনি হায়বগী পান্দমদা মীতৈশিংদা ওনশিল্লগা লান্দারকপনি। অদুনদি মখোয়গী টার্গেট অসি ওন্নরবনা মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ ফংবগী ৱাফম লৈতে, ফাগি তাদুনা তোক্কনি। মখোয়দসু অশি-অনা, অশোক-অপন ময়াম অমা নংগনি, মীতৈশিংদসু মান্ননা নংগনি। হৌজিক তৌরিবা লানসি কুকিশিংনা মীতৈ হাৎনবা তান্নরকপনি, মীতৈশিংনা মশা ঙাকথোকচনবা অমদি অশি-অনা, অশোক-অপন নংদনবা চেনবনি। লান অসি তান্নরক্লিবা কুকিশিংনা তান্নবা ৱারে হায়না তান্নবা হেক লেপখিবদা লান লোইরে। হৌজিক্তি ৱাখল খরা খরা লাক্লমাল্লে তান্নবা লেপখ্রে, তান্নবা লেপ্তুনা লান লোইখ্রবসু মখোয়গী দিমান্দ, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন অদুদি মপোকসিগী ফংবগী ৱা লৈররোই।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লদি অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট খুদিংমক তোখাই তানীংবগী ঈহৌ লৈনৈ খঙবনিনা কুম্মেগুম্না য়েংলিবনি। মসিদা থোকহন্নবা ইন্দিয়ানা শিল্লিবনি। অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবশিং অসি নমথনবা হোৎনবদা য়াম্না চাউনা মতেং পাংলিবা কুকি লালহৌবশিংদা লোন্না মতেং পাংলি। মসিগী খুদম হায়ববু ফজবী লোন্দাদা বফর জোন থমদুনা চীংদনা হোম মিনিষ্টরনা অদুগা তম্পাক্তনা ষ্টেট লৈঙাক্লা হায়না মণিপুরবু অনী থোক্লা য়েন্থোক্লিবা অসিনি। মসিগী মীচঙ খুচঙ অসিবু প্রোক্সি ৱার হায়না মীয়াম্না খঙনৈ। মরম অসিনা লান অসি প্রোক্সি ৱার হায়রিবা অদুনি। পি আর লৈঙাক লৈরবসু অথুবদা সোল্যুশন পুরক্তুনা লোইশিনবদা ৱাগদবা লাননি।

মণিপুরদা থোক্লিবা লানসি চপ চাবা প্রোক্সি ৱার হায়বদুনি মদুগী খুদমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিং অসি মবুক শেংদে, অচুম্বা-অশেং-অশেংবা ৱা অমত্তা ঙাঙদে। ম্যান্মার কুকি লমহেনবশিংগা খূৎশম্নরগা চীংথক্তগী নোংমৈ, বোম, টোপ কাপথরকপদা বফর জোন শেন্নরিবা ইন্দিয়ান আর্মি লিশীং ৬৫/৭০না য়েংলগা অদুম লৈহল্লি। তম্পাক্কী মীতৈ অমত্তনা চীংদা কারুবা য়াহন্দে, চীংদগী কুকি মিলিটেন্টশিং তম্পাক্তা কুমথরক্তুনা মীতৈ হাৎপদা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈহল্লি। হংদা হংজিল্লুরবসু খঙদে, উদে হায়বা পাউখুম অসিনা মখোয়গী মথৌ ওই। য়াম্না ঙক্লিবদি চীংদা দিপ্লোই তৌদুনা লৈরিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা কুকিশিংনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরূগী তাফম ওইরিবা তম্পাক্তা ঙাইহাক লৈতনা কোম্বিং ওপরেশন তৌদুনা লৈখিবনি। মসিনা তাক্লিবদি ইন্দিয়াগী ফম্নাইবশিং মবুক শেংদে, প্রোক্সি ৱার চথদুনা লৈরে তাকই। মরম অসিদগী য়াথং ইল্লিবা বফর জোন পান্নবা অসাম রাইফলস মণিপুর মীয়াম্না নুংশিদবগী জাৎতা হু তরেৎ মুক খাদুনা লৈনরি।

ওইদবা ঙাঙবদা হালেংদবা, মবুক শেংদবা, ইকায়বা খঙদবগী হৌনবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী লাল্লোং অসিসু অঙকপনি, ইন্দিয়ান আর্মি য়ানবা চৎপা য়াম্না হৈ। মখোয়বু লুনা-চান্না তৌবীনবা হায়দুনা অয়ূক নুংথিলগী মতমদা পীজ-পীথক তৌবদগী হেন্দোক্তুনা মখোয়গী মতু, মচা, মচল, করিসু নত্তবা সিপোইশিংগী মফি মরোল শুরুনবা অমদি এঙ্গাং শেল্লুনবা কেম্পশিংদা থাই। অদুগা মীতৈশিংদা লান্দারুবদা অয়েৎ অপন পীরক্তনবা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল মখোয়না উগদবা মফমদা ৱাংনা থেৎলি। মীতৈ তম্না কাপ্পা য়াবা নোংমৈ, বোম, টোপ কাপ্তুনা মীতৈশিংনা খা-রাই খঙদনা ময়ূম ইঙ্খোল থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবা মতুংদা মীতৈশিংনা মখোয়বু ওৎপী নৈবিরে, মীতৈশিংগী মখূৎতগী মখোয়বু কনবীয়ু হায়না অসাম রাইফলসকী মখোঙ মখূৎ কোন্দুনা হায়জবদা ইকায়বা পোক্তে। অসুম্না কুকিশিংনা মণিপুরগী লৈমায়দা কুকিলেন্দ শেম্নবা ওইদ-পাদবগী লাংদা অসাম রাইফলস থুরি, কুকিশিংগীদমক শিবা কিদনা হাকন চংদুনা লৈরি।

মীতৈশিংদি লান পামদে, অমরোমদনা লান হায়বসি করিসু লৈতনসু খন্নে, লান্দা থৱায় থাদোকখিবা কনাসু চিংনদে। মরম চাবা লান্দা থৱায় থাখিবা অথৌবনি শীংথানৈ। লান্দা লৈখিদ্রবশিংগী অপোকপা-অপোকপী অনীবু অথৌবা পোকপা পোকপীনি হায়দুনা স্বর্গ য়ৌনা থাগৎনৈ। হন্দক্কী লানফম অসি মীতৈশিংনা থেংনগদবা লান নত্তে খঙই। অদুবু কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈশিংদা খূৎ থাদুনা হাৎলকপদুদা মণিপুর অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা হন্না য়েংবীদবা অদুদা তঙাইফদনা মফুরুপ কঞ্জনবা মীতৈশিংনা লাম্থেংনবা থোক্লরকপনি।

লানসি ষ্টেট লৈঙাক্লা পোপি পান্বী য়ান্থৎলুবা অমদি অমুক থাবা য়াররোই হায়না অকনবা ৱাফম থম্লুবা অদুদগীনি। হৌজিকসু মণিপুর ষ্টেট লৈঙাক্লা খোঙফম খরা হন্দোক্লগা নখোয়না তৌনীংবা তৌজরো হেক লাউথোক্তুনা খঙহল্লুবদা পুঙ্খায় ফারোই মীতৈ হাৎপদা শীজিন্নখিবা খূৎশু-খূৎলায়শিং শিৎ নান্না মাঙহনখিবা অমা নৎত্রগা লৈঙাক্তা সরেন্দর তৌরক্কনি। ৱাফম অসিদি লৈঙাক্লা কৈদৌনুংদা হায়রোইদবা ৱা ওইবনা দ্রগকী বিজিনেশতা য়াওদুনা শেল খাওজাউ খাওজাউ লাকপগী মহাও খঙখ্রবনা হৈ-রা, চম্প্রা, কোমলা, থাও, লৌউ-শিংউ তৌ হায়রুবদা কুকিশিংনা য়ারক্কদবা লৈতে। লম খোপচিনবদা হালেংবা ইকায়বা খঙদবদা মপা লৈত্রবা শৈদাংলবা মখোয়না মণিপুরগী চীংগী লম অপূনবা মখোয়গী মপা মপুগী লম, এস্সেম্ব্রেল লেন্দনি হায়বা ঙল্লিবনি। মরম অসিনা ইকায় খঙদবগী হৌনবা শেঞ্জাও তান্নরক্লি। অরোইবদদি “মপাগী মচা, উগী উহৈ-!” মপা মপুশিংনা হৈনরকপা শিনফম পোপি থাবরোমদা পোপ তারক্কনি! কমদৌসিগে লৈবাক মচাশা-? ●

# ’সিবু মথং মপোক হায়দুরা ! (১)

## - বি সী খুমন -

“বেঙ্গলুরুদা লৈরগা য়ূমগী মতেং পাংবীনবা, অঙাং শেন্নবীনবা, লাইরিক লাইশু হৈবী, চহী ৪৫/৫০ রোম শুরবী নুপী অমা পামজৈ। থা-থাগী সেলরি মতিক চানা পীজগনি। ইমুং-মনুংগুম লৈমিন্নগদবনি” হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী এদভর্টিজমেন্ট কলমদা ময়েক লানা হাপ্লক্লিবদু হঞ্জিন-হঞ্জিন পারি। লাংলেন পূক্লিং মরাঙ-মরাঙই, মীৎ উইশিন্দুনা ৱাখল থাদরি। “ঐবু মফমদুদা চৎলগা ঈংনা-তপ্না পূন্সিসে লেল্লুরসিরা” ৱাখলসিতনা লাইমন ওইরকই। লাংলেন মশাগী পূক্লিং লাকশিঞ্জবা ঙল্লবীনি, তুংগী পোন্মিৎ খঙবীনি, কথোকপদা হালেংদবীনি। ঙসি ফাওবদা য়ূম পাল্লু য়াদনা ময়ানুপা (মবুংগী মচানুপা) বুং-বুং নাউকোন্দুনা লৈরিবীনি। মতমগী মতুংইন্না বুং-বুংসু মতিক চাবা মী ওইদুনা লৈঙাক্কী থবক তৌখ্রে, ময়ূম পাল্লে। মবুং-মনম্মসু অহল শিংদা চন্দুনা মচাগী মপান চাখ্রে। লাংলেনসু মতম শাংনা প্রাইভেট স্কুল অমগী হেদ মিষ্ট্রেশ ওইরম্বদগী ইকুই কুইদ্রি থবক্তগী পোথাখিবা। মীপূম খুদিংনা লাংলেনগী পূন্সিবু মশক খঙবীদ্র’সু মহাক্কী কথোকপা হৈবগী পূকচেলদুদি ঙসিসু শোন্নরি। মচা-মশু ৱারকপদা লাংলেনগী কথোকপা ঙম্বগী পূকচেল কল্লকচৌ শোন্নরি। অদুবু মতমগী নুংশিৎনরা থম্মোয় ফাথবা ঙম্বী লাংলেন ঙসিদি পাউচেগী ৱান্টেদ কলম অমা পারুবদগী ৱাখল লম্ফাংনরকপগুম্মী, অপূনবা অমনা পূক্লিং-ৱাখল তুনা মঙম শোন্থরকপগুম্মী। তাইবঙ লীলা শান্নরিবা মপু মানা করম্বা লীলা শান্নরগে খনখ্রবনো, লাংলেনগী পূক্লিং-ৱাখল বেঙ্গলুরুদা চৎনীংবগী ইথিলনা লাকহৎখ্রে। ফোন তৌনদুনা পাউ ফাওনখ্রে। চৎননবা নুমিৎ ফাওবা লেপ্পখ্রে, এরেপ্লেনগী টিকেট ফাওবা থারক্লে।

থাজদনা লাংলেননা য়ূম থাদোক্তুনা চৎখিবদা মীপূম খুদিংমক্লা করি-করা ঙাঙনবা খুদিংমক ময়ানুপা বুং-বুংগী মথক্তা তারে। অপোকপা, অপোকপীনা ফাওবা বুং-বুংবু ৱারৌখ্রে। মচন্নুপীগী ৱাখলনা অনীমক থম্মোয় লাইমন ওইখ্রে। মচানুপাবু পেন্না পেন্না চৈরি। “নঙবু অদুম্না চাউনা-চাউনা পোক্লকপরো? পীশক পীক্লিঙৈদগী নমা-নপাগী মহুৎ শিন্না নঙবু মী অমা ওইননবা হোৎনজরকপী ননেবু ঙরাংতা লাকপী নঙগী নুপীগা চাংদম্নফম থোকপ্রো? নঙ মীগী তৌবীমল খঙদবা, নুপীগী খুদোম্বীনা উঙবা খুংনি। নমা-নপাসু পীজনীংঙল্লোই নখোয়।” মরালনা মপোৎ ফারবা মীগুম বুং-বুং ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙবা থোকখিদ্রে। ঙকচাও থেকপী বুং-বুংগী নুপী নুংশিথোইদি মায়থোঙদা অৱাবা উৎপা উদে। খরা লৈরগা নুংশিথোইগী শরৈদগী য়ূম থাদোক্তুনা ক্বার্টরদা লৈখ্রে। মপা মমাগী শেলদি থা খুদিংগী থিল্লকই অদুবু থম্মোয় কায়খ্রবা মমা-মপানা মচাগী মপান চাখ্ররোই হায়দুনা লৌখিদ্রে। লৈরগনা চাগনি, লৈত্রগনা চরা হেন্দুনা শিরসু শিগনি খনখ্রে। নোংম-নোংমগী শোঞ্জিল্লকপনা ওল্ড এজ হোম অমদা পূন্সি লেল্লুরসি লেপ্পখ্রে।

সোমদনা লাংলেনদি পুম্নৌ নৌবা তাইবঙ অমদা খোঙদারি। বেঙ্গলুরুদা হেক থুংলবগা পূন্সিগী হিংবগী তোপ-তোপ্পা মহাউ মখল-মখল লৈবোইরে খন্না মথৌদা মায় ওনশিনখ্রে। য়ূম্বু মতৈ-মনাও অনীমক মতিক চাবা ডাক্তর ঙাক্তনি, নহানি। চহী ৩৫/৩৬কী ময়া ঙাক্তনি। চহী ৬কী অঙাং নুপামচা অমা লৈরে। মফমদুদা থুংলবা নুমিৎকী নুমিদাংদুদা শকখঙ মায়খঙনবা ওইনা ৱারী শানবদা ডাক্তর নুপাদুনা মখূৎ লোন্নরগা-

“ইমা…!” (ডাক্তরগী ইমা হায়বা মীঙ্গৌদুদা লাংলেন খংপ্রেক খংনা এঙ্গাং হাপ্পবা পায়রম্বা খাবৈ তাখিবা খঙহৌদ্রে)

“কৈদৌরে ইমা, ঐনা ইমা কৌজবদি, ইমা লৈজদ্রবা ঐগী ইমা শক্লা নচা-নমৌ-নশুশিংবু নাউকোনবীয়ু হায়জবনি”।

“করি হায়বা, ইমা কৈদৌখ্রবা?”

“মরাইবক থীরবী ঐগী ইমা প্লেন ক্রাশ অমদা লৈখিদ্রে”

“অদুদি নমাগী মমিং থোইবীস্না…”

“অচুম্বমক্লি, ঐগী মিং সনাজাওবা, নমৌগী মিংনা তম্ফামনি, নশুনুপাগী মিংনা অঙম্বা। ঐখোয় অনীমক ডাক্তরগী শিনফমদা লৈবনিনা অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাংগী রুটিন ৱার্ক মথোঙ খঙলক্তুদুনা মতেং পাংবীনবা ইমাগুম্বী অমত্তং থিজরকপনি”।

“নঙবু পোকপা ববাগী মিংনা নোংয়াই, থাঙ্গদগী, চুম্মীকো…”

“ববাসু মশক খঙবীবরো… ইমা…”

“হুম…! পাউচেদা য়াওখিবদু নীংশিংলকপনি…”

পাউখুমদি থয়াইননা পীখ্রে, অদুবু লাংলেনগী পূক্লিংগী ওইবা ৱাখলদি লোইশিন-তাশিনফম মথোঙ খঙদ্রি। খল্লি - কৈ কিদুনা চেল্লগা শওম থেংনৈ হায়বদুমক থোক্লগদ্রা? ঙসাইমখৈ ৱা ঙাঙলমদবী মমৌ শক্লবী ডাক্তর তম্ফামনিনা নোকফেৎ তৌনা ঙসিতা লাকপী লাংলেনবু নুংশিনা য়েংলগা,

“ইমাসি ঙসিতা থুংলবনি, ওন্থোক-ওন্থোকপা ৱারী ময়াম্না ইমাগী পূক্লিং চরাংনহল্লে! পোথারো - ঙসিদি ঈংনা পোথারসি ইমা, য়াম্না কুইনা নুংশিননা হিংমিন্নখিসি।”

মমৌ শক্লবী তম্ফামনিগী হৈ-শিংলবা ৱাহৈ খরদুনা লাংলেন মরাল লৈরবী অমগুম ৱা ঙাঙবা থোকখিদ্রে। অমুকসু নমহং হংলকই-

“ইমা-য়ূম পান্দ্রিসু হায়, স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেসসু ওইরম্মী হায়, ইমাগী ওইবা লন্নাই ৱারী ময়াম অমসু লৈরমগদবা মাল্লি।”

“ঐদি ওইদবা ঙাঙদে, খুম্ফম খঙদবা ৱাহংগী পাউখুমসু পীবা হৈতে। ঐগী পূন্সিগী ওইবা ৱারীসু ঐ খঙদে। ঐনা খ্বাইদগী পামজবনা কথোকপনি…।”

“ইমা… য়াম্না ইমোম্নল ওইগুমসি, হৌজিক্তি ঐখোয়গী ইমা লৈরে। ইমাগীসু নচা-নমৌ-নশু লৈরে… লেট অজ সি…”

লাংলেননা খল্লি - করিগুম্বা থাজদবা মীকুপ অমদি শোয়দনা থুংলরনি, করি তৌগনি-লাক্তবসু ওইসনু।

মতম্না কনাবুসু ঙাইরমদনা শাংলবা চহী মরি বেঙ্গলুরুদা লৈনা লৈনা হৌখ্রে। ডাক্তর সনাজাওবা, তম্ফামনিসু নোংম-নোংমগী মথৌ চিনবা হেনগৎলক্লি। মশুনুপা অঙম্বসু লাংলেনগী মীৎয়েং মখাদা মকোক্তা থোংদুনা লাকপনা ঙসিদি ক্লাস সিক্স কারে হায়না-তানবা য়ারে। মরু ওইনা মবোক লাংলেননা হায়রিমখৈ ইল্লি। ময়াম হৌ-হৌ লাংলিমখৈদি লাংলেনসু কৈদৌদে, অদুবু অহিং মীচিক মীরাওখোল তারক্ত্রবদি লাংলেন কপ্পরোই হায়বা ঙমদ্রে। মবুং-মনম্মগী ৱাখল, ময়ানুপা বুং-বুংগী অপঙবা মতৌ, মরু ওইনা নহা পূন্সি ওইরিঙৈগী কাউঙমদ্রবা ৱারী কয়া চীংথোক চীংথোক্তুনা মীৎলুদগী পিরাং লেপ্পা লৈতনা শীন্থরি। মথন্তা খঞ্জরি - “ঐসিবু মপোক থীবী হায়দুরা নৎত্রগা ওইজবা থাদোক্লুবগী মহয় ফংলিরা?” নীংশিংলরোই য়াদ্রবা হৌখিবা থৌদোক্লদি অচিকপা তাঞ্জাদা ওৎপীরি। কাউথোকপা তম্লগে কয়ারক হোৎনৈ। লাংলেন মায়থীবতনা মশরুক ওইরি। ঙসিসু নীংশিংবনা ওৎপীরবী লাংলেন ৱাখল ঈপাক্তা ঈরোইরি-ঈরাক্লগদ্রা খন্না ইকা-থিরি…। ● (মখা চথজরকখিগনি)

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্লা মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং

## - লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -

লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো তাইবঙ ফাওবা নুমিৎ থৱানগী ২২নি পানবা লৈবাকপোকপা ইংরাজি চহীরোল ১৮৮৮ ওগষ্ট ২৯নি। পূন্সি লানফমদা লাম্থেংনগে হায়দুনা তাইবঙ মীওইবগী মপোক লৌরিবা নাৱা অসি য়েৎকী লমদাং ওইবনি। মহাক্কী পন্থৌগী কোলোইনা চাউবা, পলেমগীনা থম্বৌ কৌই।

নাৱা অসিগী মপাবুং চাউবা হায়বসি চৌরজিৎ নিংথৌনা মজা ইবুংঙো ত্রিভুবনজিনচিংবগা লোয়ননা জারিবোন কোনুং লৈকায়দা লৈত্রিঙৈগী মমাঙদা হেরান্দো কৌবা অমনা মীতৈ লৈবাক্তগী চৎখিদুনা লাইশ্রম খুল ময়াই লৈকায়দা খুন্দাদুনা শাগৈ শন্দোকখিবা অহলদুগী মজা ইবুংঙো অহলনি। অঙাং অসি শাওং-শাদা ফুন্দ্রেনা খেৎপগুম নীংথিজৈ ফজৈ হায়দুনা ‘ফুন্দ্রে’ হায়না মিংথোল তম্লম্মী। মহৈ-মশিং তম্লবা মতমদা ফুলো হায়নসু খঙনখি। য়াম্না ঈং-তপ্পা, মোংহাদবা, অয়াম্বা মতমদা নুংঙাইবা ফীভমদা মোমোন নোকপনা অঙাং অসিগী মহৌশা ওইরম্মী।

চাউরক্লদুনা মহৈ তম্বা হৌরক্লম্মী। অহানবদা রাজেশ্বরপুর ৩৪গী এল পি স্কুল, মথংদা লালাদা য়ু পি স্কুল, মসিদগী মথং মথং নরসিংহপুরগী মখ্যবজ স্কুল, মথংদা হাইলাকান্দি গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা তম্লম্মী। মহৈ তম্লিঙৈগী মনুং অসিদা লাইরিক্লোই নাওরিয়াগী মপাবুং চাউবনা তাইবঙ থাদোকখিবগী অৱা নুংশিবা মায়োক্লখি। মথং চহীদা মমা ইবেম্মনা য়ূম্বানবগী ঈচেলদা পুশিনখি, ইবুংঙো মোইরেংজাম্বা অঙৌগী মজাইবেম্মা অতোনবী সনারৈ কৌবীগা পূন্সি লৈপুন শেমখি। মহৈদা খোইজংবা লাইরিক্লোই নাওরিয়া ফুলো লাইরিক ফবগীদমক মনা মথুম কয়া ফংখি। লাইরিক্লোইগী পূন্সিদা খ্বাইদগী থম্মোয় শোক্লা মায়থীবা ফংখিবদি মীরৈবাক মমান্নবশিংগী নঙগী নরোল লৈজদ্রা, নঙগী লীচৎ (ধর্ম্ম) লৈজদ্রা, নঙগী ময়েক লৈজদ্রা হায়বা অসিনচিংবা ৱাহং পরেং কয়াসিনি। তাশোন্না থিনবগুম থোকখি, ইশাগী হায়বা ৱাখল খন্থবা হৌখি।

ইংরাজি কুমশিং ১৯১৪দা এন্ট্রান্স চাংয়েং (পরিক্ষ) ঙমদুনা জারিবোন মায়কৈগী অহানবা এন্ট্রান্স চাংয়েং ঙম্বা অমা ওইখি। মতাং অসিদগী লাইরিক্লোইগী পূন্সি লোমদুনা য়ূম পুবগী থৌদাং মায়পুনবা হৌখি। হাইলাকান্দি হায় স্কুলদা মহৈ তম্বীবা ওজা অমা ওইখি। মথংদা লালা এম ঈ স্কুলগী ঙমথং মহৈ তম্বীবা ওজা অমা ওইখি, এসিষ্টেন্ট হেদ মাষ্টর ওইরম্মী। মতম অসিদা মহৈ তম্বীবা (ওজা) নাওরিয়া ফুলোনা হিন্দুগী বেদ, বেদান্ত উপনিষদ দর্শন শাস্ত্র, মহাভারত অমসুং রামায়ননচিংবা কয়া নৈনদুনা পুন্সিগী ফিরেপ শেম্বা হৌখি। ১৯১৬ ইং দদি মহৈ তম্বীবগী শিনফম থাদোক্তুনা সিলচরগী দি সি লোয়শঙদা থবক অমুক তৌরম্মী। চহীসিগী মনুংদা দারোগা (পুলিস) খল্লম্মী। পুলিসকী এস আই ওইরম্মী। ওনবা হৌনবা পূন্সিগী য়াওলদা নাওরিয়াসু ওল্লম্মী।

দারোগা নাওরিয়া দিবুগড়দা লৈরিঙৈদা লাইনীংবা লম্বোইবশিংগা লোইননা তিন্নদুনতা লৈরম্মী। থবক তৌনা তৌনা দারোগা নাওরিয়ানা মতম কাইথোক্তুনা থা অমরোম মীতৈ লৈবাক্তা লাক্তুনা লাইফম কয়া খুরুমজখি অমসুং মীতৈগী লাইনীং লীচৎ পারি পুরিগী ইনাৎ কয়াগী মরী মখোঙ থিজিনজখি। মীতৈ কন্নবগী লম্বী থিবা হৌখি। মরৈবাকপু নুংশিবা মপা মপুগী হৌফম্বু অশেংবা লাইফম্নি খনবা, মরৈবাক নীংবশিংদা য়াওবা মতিক ময়াই অদু দারোগা নাওরিয়াদসু য়াওখি। মথংদা সিব সাগরদা বকাঘাটতা থবক মফম হোংখি। মতম অসিদা দারোগা নাওরিয়ানা কাশী, গয়া, নবদ্বিপ পুরিনচিংবা লাইফম কয়া য়েংবা চৎলম্মী। মদুদগী ফংলকপা লৌশিংনা পূন্সিগী মায়কৈ ওনবগুম তৌখি। মতুংদদি ইমালোল মীতৈলোলনা লাইনীং লাইশোলদা পূক্লিং পেনগনি অমদি অচুম্বা ওইগনি হায়বসিগী মরমদা মীয়ামদা খরা খরা ফোঙখি।

মথং-মথং থবক মফম হোংখি। গুৱাহাটি, নালবারি, রঙ্গিয়া অসিনচিংবদা। রঙ্গিয়াদা লৈরিঙৈ মতম অসিদা নোংমদি মীতৈ মশক মানবা লাইনীংবা অমগা ফম্মিন্নদুনা চিক্লা ৱারী শামিন্নখি। মসিদগী মীতৈগী লাইনীং লম্বী ঈনাৎনচিংবগী হীরমদা নৈনদুনতা লৈখি।

মথংগী অসিনা অমিগাঁওদা হোংখি। অসিদগী অনীরকশুবা ওইনা দারোগা নাওরিয়া মীতৈ লৈবাক্তা লাক্তুনা থিজিনবা য়াবা মখৈ থিজিনখি। নোংমা লাইশঙদা ফম্লিঙৈদা লম্বোইবা লাইনীংবা অমা উনদুনা চিক্লা ৱারী শানখি। লাইনীংবদুনা হায়রম্মী নাওরিয়াদা নহাকপু ঙাইদুনা লৈরিবনি নহাক নত্তনা মীতৈ কন্নবা লৈতে অদুনা মীতৈ কন্নবা থৌশুরুরো হায়রম্মী। অরোইবা থৌজাল লাইনীংবনা পীনবিখি। মথংদা বদরপুর, কলাউরা অমসুং হাপলোংদা থবক মফম হোংখি। হাপলোংদা লৈরিঙৈ কুমজা ১৯৩১দা থবক লোইবগী মতম ৱাৎলিঙৈ কুমজা ১৯৩০গী এপ্রিল ১৩দা মীতৈ অমদি মীতৈগী ইনাৎ লাইনীং কন্নবগীদমক ‘অপোকপা মরুপ’ কৌবা লাই খুন্দিন লাল্লুপকী অরুবা থৌরমগী পথাপ কায়দনা ফম্বাল লিংদুনা ঈরাৎ থৌনিজরগা ‘অপোকপা মরুপ’ লিংখৎপীরম্মী। লাই-খুন্দিন লাল্লুপকী মরমদা ৱাফোঙ কয়া ফোঙবীখি। তিল্লিবা মীয়ামগী পূক্লিং য়াম্না পেন্নখি। ছুটি লৌবগী মতম লোইরদুনা নাওরিয়া ফুলো কুমজা ১৯৩০গী মে ১৮দা হাপলোং রিজার্ভ পুলিসতা হনখি।

মীতৈগী লাইনীং লীচৎ অমুক হন্না চৎতুনা মীতৈ ইপা ইপুগী খুভম ফংনবা ৱারেং, শৈরেং কয়া ইদুনা ঙাঙদুনা মীতৈ অমুক হিংগৎহন্নবগী নাওরিয়া ফুলোবু মীয়াম্না নোংম-নোংমগী শক খঙবা হেনগৎলকখি। লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলোনা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লখি। নোংমা নিংঙোম খুলদা য়ূম শেংবা চৎপদা মীতৈ লীচৎ (ধর্ম্ম) বু য়াদবা কাঙবুনা লাইনিংহলগী কাংবু গা খৎনা চৈনখি, ৱা শোক্লদুনা মোকদমা (কেস) লাইনীংহলগী মায়োক্তা লৈবশিংবু লৈঙাকপা (সরকার) না মতিক চাবা চৈরাক পীখি। য়ূম শেংলিবী অঙাং অদুগী মমিং মঙোন্দগী ৱা শোক্লখি হায়দুনা ‘মোকদ্দমী’ হায়না কৌখি।

লাইনীংহলবু থেঙ্খাং কয়াদা হাৎকে-তুপকে কয়া তৌখি, ঙবোং খাওদা নমদুনা হাৎনবা খুজিল থৌরাং কয়া অমা তৌখি। নোংমসু লাইনীংহলবু হাৎকে হায়দুনা মীওই খরনা মখূৎতা খূৎলায় পায়দুনা লম্বীদা ঙাইদুনা লৈরম্মী। থাবলসু মুসি-মুসি তৌরম্মী। লাইনীংহলনা মী লৈবগী নাশোল ফংদুনা ‘কনা কনা ওইরিবনো’ হায়না হংবদা লাইনীংহলবু হাৎকেনা লুম্লম্লিবশিং অদুনা ঐখোয়নি হায়না খুম্লম্মী অমসুং লাইনীংহলগী মায়থোঙদা অঙকপা মঙাল অমা ইরং লংনা উখি, মদু উবদগী ঙক্তুনা শুম্মৎখিদুনা মখূৎতা পায়বা খূৎলায় থাদোক্তুনা ‘লাইনীংহল লাইনি’ হায়নরগা চৎখি। অসিগুম্বা কয়াসি থোকখি অমসুং লাইনীংহলদা চঙজখি। ● (মখা চথজরকখিগনি)

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২০গী ৱাহং

১) “নীংতম্বে ’ই কোরৌ মঙালনা তরং তরং
সনা ঈরিক চাইথবগুম চাইথরক্লেনে
ঙসি নোংপোক চীংদোমপোক্তগী।”
শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) “লৈরি নঙদি থম্মোয়নুংদা” হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবা অসিগী মমিং হায়য়ু।

৩) “নীংশিং লকানুংদগী” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) প্লেটোগী ‘দ রিপব্লিক’ হায়বা দাইলোগ অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) “লাইরিক অসি পারক্পদ মসিদ শীজিন্নরিবা ৱাহয় ৱারেংনচিংব অসিদ মপালথোংদ মতিক চাবা সাহিত্য অমা ওইনা উবগুম্ মনুংগী ভাবত য়েংলগদি বিজ্ঞান্গী অথুপ্প ৱা ফজন ফোংদোকই।”
ৱাহৈ পরেং অসি অরিবা লাইরিক অমগী ‘ৱামাঙ য়ান্বা ৱাহয়্ খর’ গী মনুংদা ইবনি। লাইরিক অসিগী মমিং ইরকউ।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।